**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-10-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সষ্টেনেবল এন্দ এফোর্দেবল ইনর্জি ফোর্টনাইট দিল্লিগী প্রোমোটর দিরেক্তর শুখবির সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে।

২) য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিদনাস কোন্থৌজমনা হায়রি-মণিপুরগী হৈথোই শিংথোইরবা নহারোলশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ত্রেনিং পীবগী তঙাইফদবা লৈ।

৩) মণিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন কনফরেন্সকী চহি অমা চুপা চখুগদবা দাইমন্দ জ্বিলি সেলেব্রেসন ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) পি.এম. সেতুগী ৬ শুবা নেসনেল ষ্টিয়ারিং কমিতিগী মীফমা আই.টি.আই ক্লষ্টর ৫ লিংখৎনবা লুপা কোতি লিশিং ১,১৯৪ থাদবা য়ারে।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি করনাটক্কী করৱারদা লৈবা আই.এন.এস কদম্বা নেভেল বেজদা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা আই.এন.এস- সমরথক ভারত নেভিদা খুৎশিন্নখ্রে।

------

সিএম-২ (এল)ঃ সষ্টেনেবল এন্দ এফোর্দেবল ইনর্জি ফোর্টনাইট দিল্লিগী প্রোমোটর দিরেক্তর শুখবির সিংহনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমগা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দগা ঙসি বাবুপারাদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুনা বাইওমাস ইনর্জি প্রপোজেল ফোর মণিপুর হায়বর পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন অমসু উৎতুনা মুখ্য মন্ত্রিদা য়েংহনখি। অনৌবা থৌরাং অসিনা খুঙ্গংগী মীয়ামগী ইকোনোমি চহি অমদা লুপা কোতি ১৭০ রোম হেনগৎহনবা ঙমগনি হায়না ফোংদোকখি। মসিনা মণিপুরগী লৌমী লিশিং ৮০ রোমগী শেন্থোক হেনগৎহনবদসু চাউনা মতেং পাংগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা মীহুৎ কাংবু অদুনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদু থাগৎপগা লোয়ননা সরকারগী মাইকৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি।

সিএম(এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা ঙসি মরাম ষ্টুদেন্টস যুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ঙৌনিং মেথিউগা ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা মরামদা লৈবা দোনবোস্কো কলেজগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদগা খন্নখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- উন্নবা অদুদা মরাম ফুরুপকা মরী লৈনবা ৱাফমশিং অমসুং অতৈ চাওখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদসু খন্নখি। মদুগী মনুংদা মরামদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা শানবা, ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্বকী সিলেবসতা মরাম লোল য়াওহন্নবা অমসুং ইম্ফালদা ত্রাইবেল গেষ্ট হাউস অমা শানবগী ৱাফমশিং য়াওরি। হায়রিবা থবকশিং অসি অথুবা মতমদা পাঙথোকবা হোৎনগনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাজবা পীখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ যুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি গোবিদনাস কোন্থৌজমনা হায়রি- মণিপুরগী হৈথোই শিংথোইরবা নহারোলশিংবু শান্ন-খোৎনবগী লমদা নিংথিনা মমায় চুন্বীদুনা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ত্রেনিং পীদুনা শেমগৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ। ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী

কেন্টিন হোলদা ঙসিদগী হৌখিবা য়ুথ অমসুং স্পোর্টস পোলিসিগী নুমিৎ নিনিগী মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী গোবিনদাসনা হায়- মীফম অসি লমদম অসিগী নহাশিংবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা করি থৌশিল থৌরাং লৌখৎপা য়াবগে অমসুং শান্ন-খোৎনবনচিংবা কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা পাঙথোকপনি। রাজ্য অসিদা স্পোর্টস পোলিসি কয়া হৌদোকখিবগী ৱাফম নিংশিংলদুনা মহাকা হায়- মণিপুর অহানবা স্পোর্টস পোলিসি অসি ইং ১৯৯২ দা নেসনেল স্পোর্টস পোলিসি, ১৯৮৪ গা মান্ননা দ্রাফট তৌখি। তুংদা ইং ২০০৩ দা য়ুথ পোলিসিগা লোয়ননা নৌনা অপদেট তৌখি। মতম মতমগী ওইবা অহোংবা কয়া লাকপা অমসুং হৌজিক হৌজিক্কী দরকার লৈবা কয়া থেংননবা হোৎনবদা পোলিসিশিং অসিদা শেমদোক শেমজিন তৌবগী তঙাইফদবা কয়া লাকই।

শ্রী গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- হন্দক্কী মণিপুর ষ্টেট স্পোর্টস পোলিসি ২০২৬ অসিনা সাইন্তিফিক টেলেন্ট স্কাউটিং, অহেনবা ইনফ্রা ষ্ট্রকচর াঅমদি ত্রেনিং কয়াগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবা খক্কী ওইবা ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎপদা মীৎয়েং থল্লি।

দিআইপিআর (এল)ঃ রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পাব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর)গী ৱেব সাইট ঙসি অমুক হন্না হৌদোকখ্রে অমসুং ই-ওফিস সিষ্টেম চৎনবা হৌখ্রে।

দি.আই.পি.আরনা শিন্দুনা মসিগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আই.পি.আরগী সেক্রেতরি শ্রীমতি নিতা অরাম্বমনা হায়- টেকে ালোজিগী মরুওইবা পান্দমদি হেন্না ফবা লৈঙাক সাসন পুরকপা অমসুং পাব্লিক সার্ভিসকী থবক থৌরমশিং ফগৎহনবনি। মহাকা হায়- ৱেব সাইট অমুক হন্না হাংদোকপা ই-ওফিস সিষ্টেম চৎনহনবা অসিনা বিভাগ অসিগী থবক থৌরমশিং নিংথিনা পায়খৎপদা য়ামা মরুওইবা খোঙথাং অমা ওইরগনি। মহাকা হায়- দি.আই.পি.আরগী ৱেব সাইট অসিনা সরকার অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অচুম্বা ঈ-পাউ নিংথিনা ফংহনবা অচৌবা মতেং ওইরগনি। সরকারগী পোলিসি প্রোগ্রাম অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া মীয়ামদা লাইনা খঙহনবা ঙম্লগনি।

ইসিআই (এল)ঃ মথং চহিগী জনুৱারি ১ দা ক্বালিফায়িং দেট ওইবা স্পেসিয়েল সম্মরি রিভিজন তৌননবা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা খঙহল্লক্লে। রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রেসনেলাইজেসন ওফ পোল্লিস ষ্টেসনগী থবকা মথং থাগী অনি ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লগা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলনা মথং থাগী ১২ দা ফোংগনি। ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোলনা মথং চহিগী জনুৱারি ৪ দা ফোংগনি হায়রি।

এমসিআইসি (এল)ঃ মণিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন কনফরেন্স (এম.সি.আই.সি)গী চহি অমা চুপা চথুগদবা দাইমন্দ জ্বিলি সেলেব্রেসন ঙসিদগী হৌখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী থাঙ্গাপাৎ মপাল কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহনা মণিপুর কলচরেল ইন্তিগ্রেসন কনফরেন্সনা হেক লৈরকপদগী ঙসি ফাওবা মণিপুরদা শান্তি, অপুনবা শক্তম অমসুং নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী পাউজেল পীদুনা লাক্লিবসি য়ামা থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- অসিগুম্বা শান্তিগী পাউজেল পুবা থবক থৌরমশিং অসি মণিপুরদা ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলগা মখা তানা চথবগী তঙাইফদবা লৈ।

থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেস পীবদা এম.সি.আই.সিগী হান্নগী সেক্রেতরি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন্না এম.সি.আই.সিনা হৌখিবা চহি ৫৯ দা তৌরকখিবা থবক থৌরম কয়া পল্লদুনা রাজ্য অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি, রেজিনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস অমদি সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিনচিংবা লিংনবা হোৎনবদা লুপ অসিনা লৌখিবা থৌদাংশিং নৌহৌনা নিংশিংখি।

থৌরম অদুদা এল. রনবির সিংহনা রোল ওফ কলচরেল ইন্তিগ্রেসন ইন মণিপুর কন্টেক্স হায়বসিদা লেকচর পীখি। এম.সি.আই.সিগী প্রসিদেন্ট অরিবম ব্রজকুমার শর্ম্মনা থৌরম অদুগী সভাপতি ওইখি। দাইমন্দ জ্বিলি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি নট সংকৃটনগী অঙাংশিংগী পুং চোলোম অমসুং অনজি কলচরেল একাদমি কোংবগী অঙাংশিংগী জগোই ঈশৈ অমসুং খুলং ঈশৈনচিংবসু উৎখি।

চান্দেল (এল)ঃ  দি.আই.সি চান্দেলনা শিন্দুনা উদ্যয়ম রেজিষ্ট্রেসন অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেলগী মন্ত্রি পন্থা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দি.আই.সি চান্দেলগী জেনেরেল মেনেজরনা রেম্প স্কিমগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না উদ্যয়ম রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী কেম্প অমসুং পাঙথোকখি।

এদভাইজরি (এল)ঃ   থা অসিগী ১৮ দা মণিপুর পুলিস রেজিং ডেগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর পুলিস হাফ মরাথোন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা নুমিৎ অসিদা ইম্ফাল মনুংদা লম্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়রি।

ত্রাফিক কন্ট্রোলৰিংগী এস.পিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৫ দগী হৌনা মরাথোন অসিগা মরী লৈননা নোংচুপ থংবা কংলাগী গেটতগী হৌরগা এল.আই.সি ক্রোসিং ফাওবদা লম্বীগী নোংপোক থংবা শরুক থিংগনি, এল.আই.সি ক্রোসিদগী নোর্থ এ.ও.সিবগী লম্বীগী খা থংবা শরুক অমসুং নোর্থ এ.ও.সিদগী নিলাকুথি ফাওবগী লম্বীগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা লৈগনি। হায়রিবা অথিংবা অসি মরাথোন অসি লোইদ্রিবা ফাওবা লৈগনি।

শেংবা (এল)ঃ   মণিপুর পুলিসগী ১৩৫ শুবা রেজিং ডেগা মরী লৈননা ককচিংগী এস.পি. প্রিয়াদরসিনি লাইশ্রমগী মোৎয়েং মখাদা ঙসি ককচিং খুনৌ বজার অমদি ৱাইখোং বজারদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মোর্চা (এল)ঃ   ভারতিয়া জনতা যুবা মোর্চাগী মেম্বরশিংনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবন মমাংদা প্রোফেসার বিমোল কোইজমগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোংজং চংশিনখ্রে। খোঙজংলোইশিং অদুনা মণিপুরগী ইজৎ কল্লু হায়বা বেন্নর পায়খি।

ককচিং (এল)ঃ হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন থৌবালনা প্রোসেস ফুড প্রদক্টস এক্সপোর্ট দিভলপমেন্ট ওথোরিতিগা পুন্না শিন্দুনা লৌউ শিংউ অমসুং হোর্তিকলচরগা মরী লৈনবা পোত্থোকশিং মপান লমদা য়োনবগী থবক হেনগৎহন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লৌমীশিংনা পুথোক্লিবা লৌউ শিংউগী পোত্থোকশিং ক্বালিতি লৈনা পুথোক্তুনা রাজ্য অসিদা নত্তনা ভারত অমদি মালেমগী অতৈ মফম কয়াদা পোত্থোকশিং অসি থাদোক্তুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহান্নবগী মতাংদা মরিক চুমা তাকপী তন্বীখি।

উখ্রুল (এল)ঃ সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা য়ৌহনবা অমসুং সরকারগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙনবা হায়বসিগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন উখ্রুলনা শিন্দুনা সেবা সেতু অভিয়ান- মল্টি দিপার্টমেন্টেল পাব্লিক আউটরিটচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চত্থগদবা থৌরম অসিগী ঙসি অহৌবা নুমিৎতা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা বেনিফিসরিশিংদা মেছিনশিং খুৎশিন্নখি।

পিএম সেতু ঃ পি.এম. সেতুগী ৬ শুবা নেসনেল ষ্টিয়ারিং কমিতিগী মীফমা মহারাষ্ট্র, উরিষা অমসুং জম্মু কাশ্মীরদা ইন্দষ্ট্রিয়েল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট (আই.টি.আই) ক্লষ্টর ৫ লিংখৎনবা লুপা কোতি লিশিং ১,১৯৪ থাদবা য়ারে।

স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ (এম.এস.দি.ই) মন্ত্রালয়না হায়- শেন্থং অসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা প্রধান মন্ত্রি স্কিল্লিং এন্দ ইমপ্লোয়েলিবিলিতি ত্রান্সফোর্মেসন থ্রু অপগ্রেদেদ আই.টি.আইস (পি.এম. সেতু)গী মখাদা কাইথোকপা শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৩,৬৮৭ শুরে।

নেসনেল ষ্টিয়ারিং কমিতিগী মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এস.দি.ইগী সেক্রেতরি দেবশ্রি মুখর্জিনা হায়- নৌনা অয়াবা পীখিবা শেনফম অসিগী মতেংনা আই.টি.আইশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা, অফবা মখলগী ত্রেনিং

পীবদা কান্নহল্লগনি। মহাকা হায়- জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা লম অসিদা শিংথানিঙাই ওইনা থবক পায়খৎলিবা অসি পুকিং থৌগৎনিঙাইনি। মসিনা লমদম অদুগী নহাশিংদা স্কিল ট্রেনিং পীবা হেনগৎহন্দুনা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। শ্রীমতি মুখর্জিনা হায়- থৌরাং অসিনা অফবা মখলগী ট্রেনিং পীদুনা নহাশিংবু হৈ শিংবা হেনগৎহনবা অমসুং থবক ফংবগী খুদোংচাবা হেনগৎহান্নবা পান্দম থল্লি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি করনাটক্কী করৱারদা লৈবা আই.এন.এস কদম্বা নেভেল বেজদা লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা লম কয়াদা শিজিন্নবা য়ারবা জহাজ আই.এন.এস- সমরথক ভারত নেভিদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ ওফ দি নেভেল ষ্টাফ, এদমিরেল কৃষ্ণ স্বামিনাথন, নেভিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং করনাতক্কী লেবর মন্ত্রি শন্তোহ লাদ শরুক য়াখি। আই.এন.এস সমরথক অসি লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা মরিসুবা লানগী জহাজনি। জহাজ অসি মিতর ১০৭ শাংই। মসি সমুদ্রগী লম ঙাক শেনবা, পেট্রেল্লিং চৎপা, ট্রেনিং তৌবা অমসুং ওপরেসন্নচিংবা চথবা মতমদা শিজিন্ননবা অখন্ননা শাবনি।

কোষ্ট গার্দ ঃ ভারতকী কোষ্ট গার্দ অমসুং কোরিয়াগী কোষ্ট গার্দকী মরক্তা সাউথ কোরিয়াগী ইনচিনওনদা ১৪ শুবা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা সমুদ্রগা মরী লৈনবা লমশিং- মেরিটাইম ছার্স এন্দ রেস্ক্যু, মেরিন পোল্লুসন রেস্পোন্স, মেরিটাইম লো এনফোর্সমেন্ট, কেপাসিতি বিল্ডিং অমসুং ওপরেসন তৌবদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা খন্নখি।

কংগ্রেস ঃ কংগ্রেসনা হন্দক্তা চংশিনখিবা খোঙজংশিং অদুগী মতাংদা ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়- মীখলদা মায়থিবগী লমন শিংবা ওইনা কংগ্রেস দলনা মীয়ামদা অরানবা ৱাফমশিং শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলিবা অসি তোক্কদবনি।

লখনৌদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শ্রী সিংহনা হায়-জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী গান্ধি হায়বা মীং অসি লৌদুনা কংগ্রেস লুচিংবশিংনা হিংশা য়াওবা খোঙজংশিং চংশিল্লিবা অসি তোক্কদবনি। কংগ্রেসনা তৌরিবা থৌওংশিং অসি এস.আই.আর অমসুং সি.ই.সি রেজিগনেসনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী নত্তে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। রাহুল গান্ধিনা অয়েৎ অপন পীবগী রাজনীতি তৌরোইদবনি। মরমদি লৈবাক অসিগী তুংলমচৎ অসি মীপুম খুদিংমক্কী দাইত্বনি। কংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা লৈবাক অসিদা কাউবা ঙল্লরোইদবা ক্রাইম কয়া তৌখি। অহানবদা ইন্মরজেন্সি, অনিসুবদা রাইওটস, অহুমসুবদা রাম ভাস্নতা নোংমৈ কাপবা হুকুম পীখিবা অসিনচিংবনি।

স্পেস ঃ আমেরিকাগী স্পেস টেকোলোজি ষ্টার্টঅপ- রিফ্লেক্ট ওর্বিতেল অমসুং ভারতকী স্কাই রুট এরো স্পেসকী মরক্তা য়ান্নচে অমা সহি তৌনখ্রে। ওর্বিৎতা মিংশেল থমদুনা নুমিদাংগী মতমদা নুমিৎকী মঙাল ফংহন্নবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা য়ান্নচে অদু সহি তৌনখিবনি। কালিফোর্নিয়াদা বেজ তৌবা কম্পনি অসিনা খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা, অৱাবা নংলিবা মফম অদুদা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক্তা অখন্ননা থৌরাং অসি শিজিন্ননবা পান্দম থল্লি।

------